

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, APRIL 3, 2017 PAGE 7




*ফুটবোল মশান্না থাদোকপা হায়বসি শিবগা চপ মান্নে হায়না ফোঙদোকখিবা মশাগী চহী ৬৭ শুরবা আর্সনেল ফুটবোল টিমগী মেনেজর আর্সিন ৱেঙ্গর*

*সেনজেন মাষ্টর্স ইন্টরনেসনেল চেছ টুর্নামেন্টকী মকোক ওইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা চাইনাগী নহা ওইরিবা গ্রান্দ মাষ্টর লিরেন দিং*

## ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা স্পেনগী কেরোলিনা মারিনবু ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা য়োনেক্স সনরাইজ ইন্দিয়া ওপন বেদমিন্টন টাইটল লৌখ্রে



ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু (য়েৎ) অমসুং রন্নর্স স্পেনগী কেরোলিনা মারিন

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২ ঃ*

মমাঙ চহীদা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক গেমসকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্পেনগী কেরোলিনা মারিনগী মখুত্তা মায়থিবা নংহৌদুনা সিলভর মেডল ফংখিবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা সিরি ফোর্ট ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা য়োনেক্স সনরাইজ ইন্দিয়া ওপন ৱার্ল্ড সুপর সেরিজ বেদমিন্টন ফাইনেলদা চপ মান্নবা শান্নরোই মারিনবু মায়থিবা পীদুনা ওলেম্পিক্সকী লমন শিংবা ঙমখিবগা লোয়ননা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা মেটচ ওইখি। মীয়াম্নসু খৌরাংনা ঙাইনখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লেং মান্নবা মওংদা অমনা অমবু কা–হেন্না লাকশিনবা ঙম্নদনা শান্নরকখি।

পোইন্ট ইন্নদুনা অসুম লাক্লবা মতুংদা পি ভি সিন্ধুনা লোইশিল্লকপদা ফজবা হেনখিবদগী পোইন্ট ১৯–১৯ লৈনরম্বদগী থংনবা পোইন্ট অনী লৌদুনা ২১–১৯ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদুদা গেম অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা গেমগী হৌরকপদদি সিন্ধুনা মারিনবু ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি। পোইন্ট ৪ থংন–থংননা লৌদুনা ৪–০ দা হেন্দুনা লৈখি। মখা তাবা মহাক্না ৬–৪ দা হেল্লবা মতুং মারিননা অমুক তানখৎলক্তুনা পোইন্ট ৭–৭ দা লৈনখি।

মখা তাবা পোইন্ট সিন্ধুনা লৌখিবা মদুগী মতুং পোইন্ট ৩ থংননা লৌখিবদগী পোইন্ট ১১–৭ তা লৈখি। স্পেনগী শান্নরোই অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা থংনবা পোইন্ট ২ লৌদুনা ১১–৯ ফাওবা লৈনখি।

অদুবু সিন্ধুগী য়াম্না পৱারফুল ওইবা মশান্না অদুদা মারিন খরা শোন্থরপ লৈদুনা সিন্ধুনা অমুক পোইন্ট ৩ থংননা লৌদুনা ১৪–৯ দা অমুক মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

সিন্ধুনা পোইন্ট হেনখিবা অদু মখা তানা অদুমক হেন্দুনা লৈবদগী অনীশুবা গেম অদুদা ১৮–১৩ দা লৈনখি। শান্নরোই অনীমক গেম অদুগী মখা চথরকপদা পোইন্ট ৩। ৩ লৌনখিবদগী সিন্ধুনা অনীশুবা গেম অদু ২১–১৬ দা থোইদুনা ফাইনেল অদু মহাক্না থোইদুনা ইন্দিয়া ওপনগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা দেনমার্ককী ভিত্তঃর এজেলসেননা চাইনিজ তাইপৈগী চৌটিয়েন চেনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৩, ২১–১০ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী জুরা অনী লম্বা তৌনবদা মার্কস ফর্নাল্ডি গিদিওন অমসুং কেবিন সঞ্জনা সুকামুলজোগী জুরানা রিকি কারনদাৱার্দি অমসুং অঙ্গা প্রতমাগী জুরাবু ২১–১১, ২১–১৫ দা থোইখি।

নুপীগী দবলস ফাইনেলদা জপানগী জুরা অনীগী লম্বাদা ৭ শুবা সিদেদ তানাকা সিহো অমদি য়োনে মোটো কোহারুগী জুরানা অহুমশুবা সিদেদ ফুকুমান নাওকো অমসুং য়োনাও কুরুনিবু ১৬–২১, ২১–১৯, ২১–১০ মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

অমরোমদা চাইনাগী জুরা অনীগী লম্বাদা অনীশুবা সিদেদ কাই লু অমসুং য়াকিয়োং হুৱাংনা অহানবা সিদেদ জুরা সিৱৈ ঝেং অমসুং কিংচেন চেনবু ২২–২৪, ২১–১৪, ২১–১৭ তা থোইদুনা মিক্স দবলসকী টাইটল অদু লৌখি।

## মিয়ামি ওপনদা বৃটেনগী জোহানা কোন্তানা দেমার্ককী কেরোলিন ৱাজনিয়াকীবু থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে, নপাগী দবলস টাইটল কুবোট অমসুং মেলোনা ফংখ্রে

*মিয়ামি,এপ্রিল ২ঃ*

বৃটেনগী শান্নরোই জোহানা কোন্তানা ঙরাং য়ু এস এগী মিয়ামি ওপন ডব্লিউ টি এ টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা দেনমার্ককী শান্নরোই কেরোলিন ৱোজনিয়াকীবু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। নাকল অমরোমদা ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী ডবলসকী ফাইনেলদা য়ুএসএগী জুরা নিকোলাস মোনরো অমসুং জেক সোকপু মায়থিবা পীরম্বা পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদুদা লম্বা তৌনখিবী শান্নরোই অনীনা মখোয়–মখোয়গী সেমিফাইনেল লম্বাদা কোন্তানা মমিং লৈরবী য়ুএসএগী ভিনস ৱিলিয়মসপু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–৪, ৭–৫দা থোইরম্বনি। অমরোমদা কেরোলিন ৱোজনিয়াকিনা মহাক্কী লম্বা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই কেরোলিনা প্লিজকোভাবু ৫–৭, ৬–১, ৬–১দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা সিদেদ শান্নরোই কোন্তা অমসুং ১২শুবা সিদেদ শান্নরোই ৱোজনিয়াকিনা হৌবদগী হৌরগা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নরকখি। অহানবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীমক্না মখোয়–মখোয়গী সার্ভিস গেমশিং হোল্ড তৌবা ঙম্নদুনা গেম ২–২দা লৈখি।

বৃটিস শান্নরোই কোন্তানা দেনিস শান্নরোই ৱোজনিয়াকিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী সেট অদু ৩–২দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। মখাতাবা সার্ভিসশিং হোল্ড তৌবা ঙম্নখিবদগী কোন্তানা সেট অদু ৬–৪দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদুদা কোন্তানা সেট ১–০দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু অহানবা সেটকা অক্ষানি। সার্ভিস গেম অমা কোন্তানা য়াম্না ঙন্না ব্রেক তৌখিদুনা গেম অদু ৬–৩দা থোইদুনা মিয়ামি ওপন সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

ঙরাং মায়পাকপা অদুনা বৃটিস মচা জোহানা কোন্তাগী কেরিয়রগী অহানবা ডব্লিউ টি এ প্রেমিয়র টাইটলনি। মায়পাকপা অদুনা কোন্তাবু মালেমগী নুপী খ্বায়দগী নৌনা থোরক্কদবা রেঙ্কিং লিষ্টতা ৭শুবা পোজিসন্দা লৈরগনি। ঙরাংগী টাইটল অদুনা কোন্তাগী কেরিয়রগী হৌখিবা থা ১০ অসিদা অহুম্লকশুবা টাইটল ওইরিবনি।

মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোনা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা য়ুএসএগী জুরা নিকোলাস মোনরো অমসুং জেক সোকপু মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু জুরা অনীনা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকপদা পোলেন্দ অমসুং ব্রাজিলগী জুরা অদুদা ৭–৫ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা পোলেন্দ অমসুং ব্রাজিলগী জুরা অদুনা অনীশুবা সেট অদুদা য়ুএসএগী জুরা অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৩ দা থোইদুনা নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু লৌখি।

অমরোমদা মেক্সিকোদা চথরিবা মেক্সিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং কনাদাগী অদিল সমাসদিনগা জুরা ওইনা শান্নখিবা মেটচ অদু মায় পাক্তুনা টাইটল লৌখি।

ঙসি ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং কানাদাগী অদিল সামসদিন অমদি স্বিজরলেন্দগী লুকা মার্গারোলি অমসুং ব্রাজিলগী কারো জম্পিয়েরিগী জুরানা শান্নখিবা মেক্সিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা ইন্দিয়া অমসুং কানাদাগী জুরা অদুনা য়াম্না হেনবা মওংদা স্বিজরলেন্দ অমসুং ব্রাজিলগী জুরা অদুগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোৎখরিবা স্বিজরলেন্দ অমসুং ব্রাজিলগী জুরা অদুনা অনীশুবা সেট অদুদা লম্বা খরা পীরকখ্রবসু ইন্দিয়া অমসুং কানাদাগী জুরা অদুদা সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইরগা নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

হন্দক ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং কানাদাগী অদিল সামাসদিলগা জুরা ওইদুনা লৌরিবা টাইটল অসিনা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেসনা সিজন অসিগী অহানবা টাইটল লৌবা ওইরি।



মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন জোহানা কোন্টা (য়েৎ) অমসুং রন্নর্স ৱোজনিয়াকি

## ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম্না উরুগ্বেবু সুটআউট্টা পাঞ্জল ৪–২দা থোইখ্রে



উরুগ্বেবু পেনাল্টি সুট আউট্টা মায়পাকপা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোংদোকপা

*বেনকুবর, এপ্রিল ২ ঃ*

কানাদাগী সহর ৱেষ্ট বেনকুবরদা ঙরাংদগী শান্নবা হৌখিবা ৱুমেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড লিগকী অনীশুবা রাউন্দগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা উরুগ্বেবু পেনাল্টি সুট আউট্টা পাঞ্জল ৪–২দা মায়থিবা পীদুনা লিগ অসি য়াম্না ফজবা মওংদা হৌখ্রে।

মফম অসিদা শান্নরিবা অনীশুবা রাউন্দ অসিদা পুন্না টিম ৭না শরুক য়াদুনা সেমিফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙম্নবগীদমক লম্বা তৌনগদৌরিবনি। ইন্দিয়ানা গ্রুপ ‘এ’দা উরুগ্বে অমসুং বেলারসকা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

মেটচ অদু হৌরকপদা ইন্দিয়ানা য়াম্না ফজবা মওংদা হৌরদুনা উরুগ্বেগী মায়কৈদা বোল অদু তোয়না পুশিনবা হৌরকখি।

শান্নবগী ৬শুবা মিনট্তা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন রাণিনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা মেটচ অদু মাংজিল থাদুনা চৎখি। অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না ফজবা মওংদা মখোয়গী মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোয়শিল্লকপদা ইন্দিয়ানা উরুগ্বেবু ১–০দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচকী ৩শুবা ক্বার্টর অদুগা শান্নবগী ৪৫শুবা মিনট্তা উরুগ্বেগী মারিয়া টেরেসানা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদুগী ইক্বেলাইজর অদু ফংখি।

মিনট ৪গী মনুংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চথখিবা এটেক্ট অমদা বন্দানা কটারিয়না মখা তাবা ইন্দিয়াগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ফিল্ড গোল অমনা ওইহন্দুনা অহানবা গ্রুপ ‘এ’গী অহানবা মেটচ অদু মায়পাকপগী লম্বেল নকশিল্লকখি।

অদুবু শান্নবা লোয়গদবা মিনট ৬খক্তংমক ঙাইশিল্লক্লনদা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংগী মায়কৈদগী অশোয়বা অমা লৈখিবা অদু উরুগ্বেনা খুদোংচাবা লৌদুনা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা মখোয়না ফংখি। খুদোংচাবা অদু মেনুএলা ভিলরনা পাঞ্জল ওন্থোকখিবদগী টিম অনীমক পাঞ্জল ২–২দা লৈনখি।

পেনাল্টি সুট আউততা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোইশিং অদুদিঃ রাণি, মোনিকা, দিপিকা অমসুং নবজোট কোরনি। অদুগা গুর্জিট কোরদি পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। সোট ৫গী মনুংদা ইন্দিয়াগী সোট ৪ পাঞ্জল ওইখি।

নাকল অমরোমদা উরুগ্বেগী মায়কৈদগী শান্নরোই অনীখক পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মখোয়শিং অদুদি ঃ মিলাগ্রোস অলগোর্টা অমসুং মেনুএলা ভিলরনি। লোয়ননা পাঞ্জল চনবা ঙমহৌদ্রবা শান্নরোইশিং অদুদিঃ কোন্সটেঞ্জা বরানগে, লুসিয়া লেম্বর্টি অমসুং মাটিলদে ক্লিচেনি। মখোয় অহুমগী সোটশিং অদু পাঞ্জল ওইহন্দবদা ইন্দিয়াগী এক্সপরিএন্স লৈরবী গোলকিপ্পর সবিতাগী অচৌবা থৌদাং য়াওখি।

হয়েং অঙনবদা ইন্দিয়ানা বেলারসকা শান্নগদবা মেটচ অদু মায়পাকপা ঙম্লবদি গ্রুপ ‘এ’দগী সেমিফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি।

## পেরিস সেন্ট জর্মেননা মোনাকোবু পাঞ্জল ৪–১ দা য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীদুনা ফ্রেঞ্চ লীগ কপগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

*লিওন,এপ্রিল ২ঃ*

ফ্রান্সতা চথরিবা ফ্রেঞ্চ লীগ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা পেরিস সেন্ট জর্মেননা মোনাকোবু পাঞ্জল ৪–১ দা য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং মোনাকোনা শান্নখিবা ৩০ শুবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা হৌবদগী হৌনা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চনখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী ৪ শুবা মিনটতা পিএসজিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই জুলিয়ান দ্রেক্সরনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মোনাকোবু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা শোৎখরবা মোনাকোনা হাল্ফ অদুগী শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই থোমাস লেমরনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা য়াম্না মান্নবা মওংদা লৈখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপদা পিএসজিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই দি মারিয়ানা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা মোনাকোবু অমুক ২–১ দা মাঙজিল থারবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা হৌরকপদসু পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনটতা পিএসজিগী শান্নরোই কাভানিনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মোনাকোবু ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপদা মতম কুইনা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী অরোইবা মীৎকুপ শান্নবগী ৯০ শুবা মিনটতা পিএসজিগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা কাভানিনা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা মোনাকোবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীরগা ফ্রেঞ্চ লীগ কপকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

ইটালিগী সেরি এ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লীগ অসিগী অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা রোমানা ইম্পোলিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। লীগ অসিদা জুবেন্টসনা মেটচ ২৯ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৭৩ ফংলগা লীগকী মকোক্তা লৈরি। অদুগা রোমানা মেটচ ৩০ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৬৮ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

জর্মনিগী ফুটবোল লীগ অমা ওইরিবা বুন্দেস লীগাগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা লীগ অসিগী মকোক ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিক্না আগর্সবর্গপু পাঞ্জল ৬–০ দা মায়থিবা পীখি। লীগ অসিদা রাসেলবোলস্পোর্ট লৈপজিগনা পোইন্ট ৫২ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্লি।



ফ্রেঞ্চ লীগ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েলশিং